# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, DECEMBER 08, 2018 PAGE 7




*ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদগী ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেননা য়ুরো মিলিয়ন ৭৫ দা লৌনবগী দিল তৌনখ্রবা নেদরলেন্দসকী ষ্টার ফ্রেঙ্কি দি জোং*

*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াগদৌরিবা ক্লব কিংস এলভেন পঞ্জাবগী বোল্লিং কোচ ওইনা লৌশিনখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা রাইন হরিস*



## মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাবু পাঞ্জল ১১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইংলেন্দনা আয়রলেন্দ ৪–২ দা থোইখ্রে

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৭ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা চথরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল বি গী ৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইংলেন্দনা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৪–২ দা থোইবা ঙমখি।



*ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং চাইনানা শান্নখিবা পুল বিগী মেটচ অমদা শান্নরোইশিংনা বোল ফংনবা হোৎনবা*

হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল বি গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা চাইনাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১১–০ দা মায়থিবা পীরমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম পুল অসিদা মকোক ওইদুনা মাঙজৌননা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। টিম অসিগী শান্নরোই ব্লেক গোভর্স্না হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১৩, ১৯ অমসুং ৩৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই টিম ব্রান্দনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। মহাক্না শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা অহানবা অদুগা মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা অরান জালেস্কিনা অমা, ১৬শুবা মিনটতা টোম ক্রেজনা পাঞ্জল অমা, ২২শুবা মিনটতা জেরেমী হেৱার্দনা অমা, ২৯শুবা মিনটতা জেক ৱেট্টননা অমা, ৩৮শুবা মিনটতা দিলান ৱোথরস্পুননা অমা অমসুং মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা ফ্লাইন ওজিলভিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ইংলেন্দ অমসুং আয়রলেন্দনা শান্নখিবা পুল বি গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ইংলেন্দগী শান্নরোই দেবিদ দিক্সোননা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা আয়রলেন্দগী শান্নরোই খৃস কার্গোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি। ৩৭ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী লিয়াম এনসেলনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মিনট অমা লৈরগা আয়রলেন্দগী সানে ও’দোনোঘুনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২–২ দা মান্নখি।

শান্নবগী ৩৮ অমসুং ৬০ হেল্লকপা মতমদা ইংলেন্দগী শান্নরোই জেমস গাল অমসুং মার্ক গ্লেঘোরনেনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেটচ অদু ইংলেন্দনা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৪–২ দা থোইরমখি।

## ‘মুক্নরুবা অম্ফা অমদি ফোরম্না ৱাখল তামিন্নরকপা অফবা খোঙথাংনি’

### এল. কালা, উরিপোক

অনৌবা চহী ২০১৯ না লাকপদা শন্তি লৈবা নুংঙাই য়াইফরবা লমদম অমা ওইরসনু হায়বগী য়াইফ পাওজেল পীন্নবগী পুংজা মীৎকুপ ঙাইনরিঙৈ তাল্লক অরি–অনৌ লংদাই থা দিসেম্বর থাখাইনা চঙশিল্লকপসিদা অৱাবা খাঙলুরবা মরাইবক থিরুরবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭কীসু নুংঙাইরবা মপাওগা লোয়ননা থুংলরি দিসেম্বর ১০, ২০১৮ দগী শোয়দনা হৌরগনি হায়না। মসিমক্তিং ফুটবোলদা ঙাওজবা য়েংজনিংবা ভাবক কাদা নৎতনা মশান্নসিদা অশা কয়া থমদুনা হোৎনরিবা শান্নরোই কয়াগী মফমদসু হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওরমগনি, খল্লুরবনি ফুটবোল মশান্না হেন্না শোকচিল্লক্তুনা শিখ্রগদবোই হায়না, হৌজিক্তিঃ শিররোই হেন্না ফবা মাইকৈদা চঙশিল্লকপা য়ারে, মসিনি শান্নবগী ফজরবা মচৎ। পূম্নমক্কী য়াইফনবনি পূম্নমক অফবা মায়কৈদা চঙশিল্লকপনি হায়না লৌরগসু অদুবু অঙকপা অমদি লৈরি মদুদি শিখ্রবা অমবু অমুক হিংগৎলকপা য়াব্রা হৌনব্রা অসিনি। তশেংবমক ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ অসি চয়েৎনবা থোরকপনা মরম অমা ওইরগা শিনলি লাংলিবা অম্ফানা তৌফম খঙদদুনা য়ৈথোক য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি অদুবু মমৈদদি হেন্না চমম্নবা ফিভমদা তৌফম খঙলক্ত্রবদগী য়ৈথোকপা নৎতবদা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭, লোইশিল্লে হায়বা চেরোল থোকখ্রবনি, মসিদনি অঙকপা অমা থোরক্লিবা লোইশিনলে হায়না লোইশিনখ্রবা অমবু লোইশিন্দে হায়না অমুক মখা চত্থরকপসি থৌশিলদা হৈতবা হায়গদ্রা নৎত্রগা থৌশিলদা তৌনিং তৌনিংবা তৌবগী অচৌবা মমি অমদি তারি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। হোই তৌবগীদি অমরোমদা থৌশিল হৈতে হায়বসু য়ারোই হায়বা তারে হৈদুনা অসিগুম্বা ফিভম অসিদা অমুক লাক্লিবনি। অমবু ওইরে অমসু ওইরে হৌজিক্তিং য়েং থিনরুবা মুক্ননরুবা নুংশিনরুদবা মায়কৈ পূম্নমক্না য়াশিন্নবা অমা লাক্তুনা নাথৈরম্লগদবা ফুটবোল মশান্না খুম্মাং চাওশিন্ননবা হোৎনমিন্নরকপা অসিমদি থাগৎতবা য়ারোই, তুং কোইনা ওইসনু। ফুটবোল মশান্নবু মতম মতমগী হেন্না চাওখৎনবা হোৎনরিবা মমায় চুন্নিবা অম্ফাবু মতেং পাঙলিবা ক্লবগিংগা অমত্তা ওইনা হোৎনরিবা ময়ামসি (অশোয়বা শোয়দবা) ফুটবোল মশান্নগীনি হায়না ৱাখল তামিন্নরক্তুনা চঙশিল্লকক্লিবা খোঙথাংসিমদি হেন্না ফবা লৈত্রে। লাক্কদৌরিবা চহী অনৌবা অসিদগীদি অফবা ঙাক্তা লাক্তুনা ফজরবা ফুটবোল মশান্না য়েংবা ফংলগদবা মাল্লি লোয়ননা ১৩শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ থেংলবসু থেংনা পাঙথোকপা ওইহনসি হেন্না হেন্না মগুন লৈবা মপানগী অহৈবা টিম কয়া য়াওবা মমাঙথক্তগী হেনবা ম পুং ফাবা সি.সি.সি মিট পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি। মথং মখা তারকপদি অম্ফাবু মতেং পাঙলিবা ক্লবশিংনা অশোয়বা খরদা খুদোংচাবা লৌবগী হৈনবী থাদোকসি অদুগা অম্ফানসু মতেং পাঙলিবা শান্নরোই কয়া পুথোক্লিবা ক্লবশিংবু ঙমই হায়দুনা কান্নদবা তেমশিংনবগী মওং দা হাথু হাথুবা ৱারেপ লৌদুনা থবক হেক্তা পাঙথোকপগী হৈনবী অসি হৌজিক টার্মগী থৌ পুরিবশিংগীসু নৎতে অদুগা হৌজিক মুক্নবা হৌরকখিবা ক্লব খরা অদুগীসু নৎতে মসিদি মণিপুর পূম্বগীনি, ফুটবোল শান্নরোইশিংগীনি মতম চুপ্পদা কাওবীদনা ফুটবোলগীদমক হিংসি ফুটবোলগীদমক হোৎনসি।

*ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## অনীশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়া ইন্দিয়াদগী রন ৫৯ শোখ্নদুনা লৈরি

*এদিলেদ, দিসেম্বর ০৭ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট টুর অসিগী মনুং এদিলেদতা শান্নরিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী নীনিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়া ইন্দিয়াদগী রন ৫৯ শোখ্নদুনা লৈরি।



অহানবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা অহানবা ইন্নিংস চত্থরকপগী অহানবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৫০ লৌরগা লোইশিনখ্রবা মতুং ঙসি নীনিশুবা নুমিৎ শান্নরকপদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইখিবদগী রন ২৫০ অহানবা ইন্নিংস অদু লোইশিনখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ওপনর আরোন ফিন্স রন অমত্তা লৌবা ঙমদ্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী বোল্লর ইসান্ত শর্ম্মানা আওট তাহনখি।

অতোপ্পা ওপনর মার্কস হরিস অমসুং অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা উসমান খাৱাজানা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি। মখোয় অনীনা টিম অদুগী স্কোর অদু রন ৪৫ য়ৌহল্লকখি। মার্কস হরিস রন ২৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী বোল্লর আস্বিননা আওট তাহনখি।


নৌনা চঙলকখিবা সোন মার্স শুপ্নগী রন ২ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা উসমান খৱাজসু ওষ্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ২৮ হাপচিল্লমখি।

৫শুবা বেটসমেন পিটর হেন্দকোম্ব অমসুং ত্রেভিস হেদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎলকখি। পিটর হেন্দকোম্ব রন ৩৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন অনী টিম পেনে অমসুং পেট কুম্মিন্স মথংশিংনা রন ৫ অমসুং ১০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা ত্রেভিস হেদ অমসুং ৯শুবা বেটসমেন মিটচেল ষ্টার্কনা অনীশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৬১ অমসুং ৮ লৌরগা স্কোর বোর্দতা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াদগী রন ৫৯ শোখ্নদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিং মায়কৈদা রবিচন্দ্রন আস্বিননা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি। ইসান্ত শর্ম্মা অমসুং জস্প্রিৎ বুমরাহনা ৱিকেট ২ /২ লৌবা ঙমখি।

## এফসি পুনে সিটিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং এফসি পুনে সিটিনা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মেটচ*

*কোচি, দিসেম্বর ০৭ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এফসি পুনে সিটিনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

কেরলাগী সিটি কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদুগী ৭শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মার্সেলিনহোনা কাওশিল্লকপা সোট অমা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিগী গোলকিপর ধিরজ সিংহ মোইরাংথেমনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল ওইহনখিদে।

শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা এফসি পুনে সিটিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মার্সেলিনহোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা য়ুম্বু টিম কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী মখা তানা শান্নরকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু পাঞ্জল ০–১ দা শোখ্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী অয়াম্বা মতমদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিনবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া ফংনখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ এফসি পুনে সিটিনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

## স্পেনগী কোপা দেল রে ফুটবোলদা রিয়েল বেটিস অমসুং এঠলেটিক বিলবাও মায় পাকখ্রে, ঐবার অমসুং স্পোর্টিং গিজোন ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে



*রিয়েল বেটিস অমসুং রেসিং সান্টান্দরনা শান্নখিবা কোপা দেল রেগী মেটচ অমা*

*মাদ্রিদ, দিসেম্বর ০৭ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা দেল রেগী রাউন্দ ৩২ গী অনীশুবা লেগকী মেটচশিংদা রিয়েল বেটিস অমসুং এঠলেটিক বিলবাও মায় পাকখ্রে, ঐবার অমসুং স্পোর্টিং গিজোন পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী অনীশুবা লেগকী মেটচতা রিয়েল বেটিসনা রেসিং সান্টান্দরবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি। টিম অনী অসিনা শান্নখিবা অহানবা লেগতা রিয়েল বেটিসনা ঐবারবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরম্বদগী এগ্রিগেটতা ৫–০ দা হেনবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই এন্টোনিও বারাগাননা ৩২শুবা মিনটতা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৮শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ইন্টোনিও সানাব্রিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। ৬৯শুবা অমসুং ৮৯শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই সর্জিও লিওন অমসুং জিওভানি লো চেলসোনা পাঞ্জল অনী অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু রিয়েল বেটিসনা রেসিং সান্টান্দরবু ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

কোপা দেল রে ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা লেগকী মেটচতা এঠলেটিক বিলবাওনা হুয়েস্কাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি। অহানবা লেগতসু এঠলেটিক বিলবাওনা হুয়েস্কাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্বদগী এগ্রিগেটতা ৮–০ দা হেনবা ঙমখি।

এঠলেটিক বিলবাওগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩৭ অমসুং ৫৮শুবা মিনটতা অরিটজ অদুরিজনা পাঞ্জল অনী অদুগা শান্নবগী ৮০ অমসুং ৯০ শুবা মিনটতা ইনাকি ৱিলিয়মসনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা মেটচ অদু ৪–০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা ঐবার অমসুং স্পোর্টিং গিজোন ২–২ দা দ্রো চৎখি। টিম অনী অসিনা মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা লেগতা স্পোর্টিং গিজোননা ঐবারবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইরম্বদগী এগ্রিগেটতা ৪–২ দা হেনবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৩ অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা স্পোর্টিং গিজোনগী শান্নরোই অলভারো জিমেনেজ অমসুং পাব্লো পেরেজনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৩ অমসুং ৮৭শুবা মিনটতা ঐবারগী শান্নরোই মার্ক কুকুরেল্লা অমসুং চার্লিসনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ২–২ দা দ্রো চৎখি।

## ওম প্রকাসনা নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড লৌখ্রে

*থিরুভন্থপুরম, দিসেম্বর ০৭ঃ*

কেরলাগী কোনুং থিরুভন্থপুরমদা লৈবা ভাট্টিয়ুরকাভু নেসনেল গেমস রেঞ্জদা চথরিবা ৬২শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা আর্মিগী ওম প্রকাস মিথরৱালনা নুপাগী মিনট ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা আর্মিগী ওম প্রকাস মিথরৱালনা পোইন্ট ২৪১.১ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা উত্তর প্রদেশকী সুট্টর সৌরভ চৌধারিনা পোইন্ট ২৩৯.৮ দা লৌরগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা রেলৱেজগী সুট্টর আর্জুন দাসনা পোইন্ট ২১৭.৯ দা লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়রগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা য়ুপিগী সৌরভ চৌধারিনা পোইন্ট ২৪৫.৩ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা চান্দিগরগী সুট্টর ভিজয়ভির সিধুনা পোইন্ট ২৪২.৩ দা লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পঞ্জাবগী সুট্টর আর্জুন সিংহ সিমানা পোইন্ট ২২০.৭ দা ফংখি।

৬২শুবা নেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা য়ুঠ কেটেগোরিগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা হরিয়ানাগী সুট্টর সারাবজোট সিংহনা পোইন্ট ২৪১.৬ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিদা চান্দিগরগী ভিজয়ভির সিধুনা পোইন্ট ২৪০.৯ দা সিলভর ফংলগা সিলভর অদুগা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা সুট্টর উদেভির সিধুনা পোইন্ট ২২০.২ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

## সিদ্ধার্থ ভিশ্বকরমানা গোন্দৱানা কপ টেন্নিসকী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*রাইপুর, দিসেম্বর ০৭ঃ*

ছাটিসগরগী কোনুং রাইপুরদা চত্থরকপা লুপা ১০,০০,০০গী শেলগী মনা লৈবা গোন্দৱানা কপ টেন্নিসতা নেসনেল চেম্পিয়ন সিদ্ধার্থ ভিশ্বকরমানা সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

রাইপুরদা লৈবা ভিআইপি ক্লবতা চত্থরকখিবা গোন্দাৱানা কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরিবা সিদ্ধার্থ ভিশ্বকরমানা জয়েস পুংগ্লিয়াবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা ১,৩০,০০০ সু ফংখি। রন্নর্স অপ তাহৌরবা জয়েস পুংগ্লিয়ানা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৯০,০০০ গা লোয়ননা ট্রোফিসু ফংখি।

গোন্দাৱানা কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা সাহিল গাৱারে অমসুং মোহিট মায়ুরনা পারিকসিট সোমানি অমসুং য়াস যাদববু ৬–১, ৪–৬, ১০–৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

দবলসকী কাঙলুপ্তা টাইটল ফংখ্রবা পেয়র পেয়র অসিনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৬৩,০০০ অমসুং রন্নর্স অপ তাহৌরবা পেয়রনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৩৩,০০০ ফংখি।

### ক্রোসৱার্দ ৫গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | A | S | H | | N | A | G | S | | S | T | R | A | W |
| O | L | E | O | | A | S | E | A | | C | R | E | P | E |
| D | I | V | A | | P | A | L | M | R | E | A | D | E | R |
| O | V | E | R | L | A | P | S | | E | N | C | O | R | E |
| S | E | N | S | E | | | | | P | E | T | | | |
| | | | E | A | S | T | E | R | | S | I | R | E | D |
| A | L | P | | N | E | A | R | E | R | | O | I | L | Y |
| F | O | U | R | | E | L | O | P | E | | N | O | S | E |
| A | B | L | Y | | R | E | D | E | E | M | | T | E | D |
| R | E | L | E | T | | S | E | L | D | O | M | | | |
| | | | B | E | E | | | | | L | U | N | A | R |
| S | T | E | R | N | S | | F | L | A | T | T | I | R | E |
| P | E | D | E | S | T | R | I | A | N | | A | C | E | S |
| A | L | G | A | E | | E | D | I | T | | T | E | N | T |
| S | L | E | D | S | | F | O | R | E | | E | R | A | S |